# লান মরক্তা কুকিশিংনা মৈতৈশিংগী লাইশঙ অমদি লাইফম ৩৯৩ অমাঙ অতা থোকহনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) :** ইরৈবাক কঞ্জনবগী থেংনরিবা লান অসিগী মনুংদা চিন-কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা মৈতৈশিংগী লাইশঙ অমদি লাইফম ৩৯৩ মৈ থাদুনা অমদি থুগায়দুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না ৱার্কিং কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ মৈতৈ টেম্পলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা উমং লাই কনবা লূপ (উকল) গী মখাদা শেমখিবা ৱার্কিং কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ মৈতৈ টেম্পলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কম্মিটি অসিনা মতম চঙনা কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদা হায়রিবা অমাঙ অতা থোকখ্রবা লাইশঙশিংগী মশিং খঙবা ঙমখিবনি। য়াম্লবা লাইশঙ অমসুং লাইফমশিং অসি চিন-কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা চুম্না মৈ থাদুনা নৎত্রগা থুগায়দুনা মায়ঙহনখিবা নত্তে। ফুরুপ অসিবু খোঙ্গোইনবা মওংদা লাইগী কোনমাইনচিংবশিং খোঙপাক্লা নেত্তুনা অমদি মতিন শিৎচিল্লবা মতুং মৈ থাদুনা থুগায়দুনা মাঙহনখিবনি।

মাঙহনখিবা লাইশঙশিং অসিগী মনুংদা উমং লাইগী লাইশঙ ৪৪ য়াওরি। উমং লাইগী লাইশঙ ৪৪ অসিগী মনুংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী ৩, চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ১১, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতগী ৪, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৭, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী ১০ অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ৬ য়াওরি।

মসিগী মথক্তা চিন-কুকি-টেররিষ্টশিংনা অপোকপা লাইফম ১১০ সু মৈ থাদুনা অমাঙ অতা থোকহনখি। হায়রিবা লাইফমশিং অসিগী মনুংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী ১৫, চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ৩৮, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতগী ২৩, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ৯ অদুগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী ৩ য়াওরি।

খুৎলায় পায়বা কুকি লালহৌবশিংনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা ইখোল লাইশিংনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা ৪১, চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা ৭২, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা ২০, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা ৪৩, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ৩০, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ৪ অদুগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতনা ১৩ নি। অদুগা লেমহৌরিবশিং অদুনা হিন্দু লাইগী লাইশঙশিংনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হায়রিবা লাইফমশিং অসি চিন-কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা মাঙহনখিবগী মতাংদা কম্মিটি অসিনা মরী লৈনবা পুন্নমক্কী মফমদা পুথোক্তুনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনরি। কম্মিটি অসিনা থিজিন্দুনা হৌজিক পুথোক্লিবা লাইশঙ অমদি লাইফম মশিং অসি ৱাৎলমখিগনি হায়না খল্লি। মরম অদুনা অখঙবা য়াওরবদি কুকিশিংনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা লাইশঙশিং অদুগী ফোটো নম্বীদুনা উকলদা খুৎশিন্নবিয়ু হায়না অপিল তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মৈতৈশিংগী য়াম্লবা লাইশঙ অমসুং লাইফম কয়া মৈ থাদুনা অমদি থুগায়দুনা মাঙহনখিবা অসিগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎহন্নবা হোৎনবদা শেলগী অৱাৎপা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা মঙম শানবা ঙমদনা লৈরি। লৈরিবা অৱাৎপশিং অসি মীয়াম্না ইশা ইশাগীনি খনবীরগা অঙম অঙন্বা মতেং পাংবীদুনা মতম চানা থবক পায়খৎহৌনবা হোৎনসি। মরী লৈনবশিংনসু লাইশঙ অমদি লাইফম কয়া মৈ থাদুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লৌখৎপীয়ু হায়না ৱার্কিং কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ মৈতৈ টেম্পলগী চেরোল অসিনা হায়রি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ১০ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১৫ রোম তাবদা উচিৱা হায় স্কুল (এইদেদ) দা ক্লাস ফাইভখক্তমক তম্লিবা মহৈরোয় সোইবম তরুঞ্জিৎপু শকখঙদবশিংনা ফানবা হোৎনরম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙরাং উচিৱাগী ক্লব, মৈরা পায়বীশিং অমদি স্কুল অসিগী ষ্টাফ অমসুং মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা ৱাকৎ মীফম চথুখ্রে। ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনাচহী নৌরিবা মহৈরোয় ফানবা হোৎনরম্বগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্খিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবীগনু হায়রি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মহৈরোয় ফাবা য়ানিংদে, মহৈরোয় ফাবা চৈরাক পীয়ু, মহৈরোয়দি লান য়াওদে, মহৈরোয়দা অকি অখঙ পীবিগনু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি হায়না স্কুল অসিগী হেদমিষ্ট্রেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ইরৈবাক কন্নবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্তা থৌনা ফনা অমত্তা ওইনা লেপীমিন্নসি ঃ এল চন্দ্রকৃতি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) :** অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা লৈবাক অসিগীদমক থৱায় থাদোকপা কিদনা থৌনা ফনা লান্থেংনখিবা কয়া অদুবু নীংশিংদুনা অমদি মখোয়গী মতুং ইন্দুনা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা লান অসিদগী ইরৈবাক কন্নবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্তা থৌনা ফনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি হায়না ওল উরিপোক এপেক্স বোদিগী প্রসিদেন্ট এল চন্দ্রকৃতিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি পাঙথোক্লখিবা অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ওল উরিপোক এপেক্স বোদিনা শিন্দুনা উরিপোক এ সীগী এম এল এ কে ঐচ রঘুমনিগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা এল চন্দ্রকৃতিনা হায়, মণিপুর ইমাগী থৌনা ফরবা মপারিশিং বির টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেলনচিংবা কয়ানা ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক থৱায় থাদোকপা



পান্মুদনা থৌনা ফনা বৃটিশকী মায়োক্তা লান্থেং চথুখি।

ইমা লৈবাক্কীদমক ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা শিবা কিদনা হোৎনরম্বা কয়া অদু ঐখোয়না নীংশিংগদবনি। ইরমদম কন্নবা হোৎনবদা থৱায় থাদোকপা কিরোইদবনি। থৌরম অসি ইচম চম্বা থৌরম অমা ওইনা ঐখোয়না লৌরোইদবনি। ইরৈবাক্কীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখিবা ইপা ইপু কয়া অদুগী থৌনানা ঙসি ঐখোয়না চাওথোক্লা হিংবা ঙম্লিবনি। মরম অদুনা মচা ওইরিবা ঐখোয়নসু থৌনা ফনা থবক তৌগদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হৌজিক লমদম অসিদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ কয়া অৱাবা তাহল্লে। থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈ কায়হন্দনা হোৎনসি হায়খি।

## লাইওন্স ক্লবনা ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) :** ওগষ্ট ১৩ অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ভেল্লি, লাইওন্স ক্লব ওফ নোর্দন হেমিসফিয়র অমদি ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা পুন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ব্লদ বেঙ্কতা ঈ কৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।




শক্লাইরবী ফিল্ম এক্ট্রেস তোম্থোই লৈশাংথেমনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঈ পীবগী থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ২৫ না ঈ কৎখি। ঈ কৎখিবা মীওইশিং অদুবু এক্ট্রেস তোম্থোইনা থাগৎ ৱাহৈ কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা উ চারা অমমমসু পীখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা তোম্থোইনা হায়, মমাঙথক্তা অথৌবশিংনা ঐখোয়গী ইমা লৈবাক অমদি ফুরুপ অসিবু কন্ননবা লান্থেংনদুনা চিংনবা লৈতনা থৱায় থাদোকখিবনি। হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা অশোক অপন নংলবশিংনা ঈগী মথৌ তারকপদা অৱাৎপা লৈহন্দনবগীদমক ভোলুন্টিয়রশিংনা ঈ কৎপগী থবক তৌরিবা অসি তশেংনা থাগৎনিঙাইনি হায়খি।

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট লাইওন এল স্বামিকান্তনা ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ঈ পীখিবা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অমরোমদা লাইলন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী সঙাইপ্রৌদা লৈবা সর্বিস সেন্টরদা অথৌবশিংগী মফমদা হৈ লৈ কত্তুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখি।

## ‘মণিপুরদগী সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিং লৌথোকপিখ্রো’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) :** চহী অসিগী মে ৩ দগী হৌরগা মণিপুরদা থোক্লকখিবা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা মরাল লৈজদবা মীতৈ ফুরুপকী মীওইশিং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী থৌওং অসিবু থিংনবগীদমক থাজিল্লকখিবা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নাকল নাম্মতগী ওইবা মীৎয়েংদা থবক তৌবদগী ইরাং অসি লোয়শিনবা ঙমদবনি। মরম অদুনা মণিপুরদগী সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লৌথোকপীখ্রো হায়না য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সুদা লৈরিবা খুৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংগা মণিপুর লৈঙাক্তা মুক্লরিবা অসিদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা কাঙলূপ নাইবা থবক চথুরি। মরুওইনা তোর্বুং বংলাদা মৈরা পায়বীশিংবু ইলেক্টিক শোক তৌদুনা অশোক অপন নংহনখিবা অদু মীওইবগী রাইটতা চাওনা শীংনবনি। থৌওং অদু য়ানিংদে।

অমরোমদা লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা লোয়শিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা চীং অমসুং তম অনী থোক্লা খাদোক্লবা হোৎনরি। চীংদনা লো অমা অদুগা তমদনা লো অমা চৎনহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা মতম কয়াগী মমাংদগী নুংশি চান্নরা হিংমিন্নরক্লিবা য়েলহৌ ফুরুপ কয়াগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবা মরম ওইহল্লি। মসি খুদক্তা তোক্কদবনি অমদি লৈঙাক্লা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়রি।

## লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি কৌবা লূপ অমা শেমখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) :** লংথবাল এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা লোকেল ক্লবশিংনা পুন্দুনা হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা অৱাং মাইবম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি হায়না মীংথোনবা অনৌবা লূপ অমা শেমখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নৌনা শেমখ্রবা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা লান অসিদা লৈখিদ্রবা লংথবাল এ সীদগী রোমারিও অমসুং রোনিবালাগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি লংথবাল মন্ত্রিখোঙ ময়ায় লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে। অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা লৈখিদ্রবা রোমারিও অমসুং রোনিবালাগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

অমরোমদা নৌনা শেমখ্রবা লূপ অসিগী থৌ পুগদবশিংগী মনুংদা ৱাই নেতানা প্রসিদেন্ট; কে হেমন্তা অমসুং টি ঐচ সুনিলকুমারনা ভাইস প্রসিদেন্টশিং; টি ঐচ জয়েন্তনা জেনরেল সেক্রেটরি; এল সঞ্জু, জি ৱিলসন, কে দ্রুবা, সী ঐচ প্রেমকুমরনা জোইন্ট সেক্রেটরিশিং; সী ঐচ হেরোজিৎনা ট্রেজরর অমদি টি ঐচ প্রেমচান্দ, এন ৱিল্লিয়ম অমসুং এন বলজিৎনা পব্লিসিটি সেক্রেটরিশিং ওইরি।

## ‘সী সীপুর গেং রেপকী থৌওং য়ানিংদে’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):** মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা মীতৈ ফুরুপকী নুপী অমবু কুকি লালহৌবশিংনা গেং রেপ চথুখিবগী থৌওং অদুবু ময়াং ইম্ফাল চবুং কম্পনি কোংগোই সেরোককী মৈরা পায়বীশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মীতৈ নুপী অমদা রেপ চথুখিবা কুকি মিলিটেন্টশিং অথুবদা চৈরাক পীয়ু, অসাম রাইফলস মণিপুরদগী লৌথোকউ, মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি হায়না য়ুথ স্পোর্টস এন্দ ৱেলফ্যের এসোসিএসন ময়াং ইম্ফাল চবুংগী সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ‘চূড়াচান্দপুর ১সুং কাংপোকপীদা ডাক্তরগী অৱাৎপা লৈরে’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী থোরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লাননা ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিংবু অসাম, দেল্লী অমসুং কর্ণাটকাগী সী পি আই এম এলগী লুচিংবশিংনা হকথেংননা য়েংশিল্লবা মতুংদা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণরগা উনদুনা কাংপোকপী অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টশিংদা ডাক্তরশিংগী অৱাৎপা লৈরে হায়না পাউদমখ্রে।

ঙসি গভর্ণরগা উনখিবা মীহুৎশিংগী মনুংদা ওল ইন্দিয়া প্রোগ্রেসিভ ৱিমেন্স এসোসিএসন, ওল ইন্দিয়া লোয়রস এসোসিএসন ফোর জষ্টিস এন্দ দলিট অমসুং ৱিমেন্স রাইটস এক্টিভিষ্ট দু সরসৱটিসু য়াওখি। মখোয়গী মায়কৈদগী হৌজিক রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং পাউদমখি। মখোয়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা তোখাই তান্নরকপনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং হীদাক-লাংথক্ল চিংবগী অৱাৎপা মায়োক্লরে। মখোয়না কাংপোকপী, চুড়াচান্দপুর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিং চৎতুনা য়েংশিল্লুরে। মফমশিং অদুদা সেনিটেসনগী য়াওনা নুপীশিংনা নাইতোম লৈবা ফংদবা অমসুং মী কা হেন্না লৈবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি হায়নসু পাউদমখি। মখোয়গী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা গভর্ণরনা হৌজিক শাগৎলিবা প্রিফেব্রিকেটেদ য়ূমশিংদা মখোয়বু লৈহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা মরু ওইনা চঙবা পোৎ চৈ অমসুং হীদাক লাংথকশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনরি হায়খি।

## নমথানলোং থাংমৈবন্দ কবুই ৱিমেন্স ওর্গনাইজেসনননা মতেং পাংখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) :** লমদম অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মুক্লরিবা ফুরুপ অনীখক্তা নত্তনা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্তা অৱা চৈথেং পীরি। অমরোমদা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরকখ্রবশিংদা ঙসি নমথানলোং থাংমৈবন্দ কবুই ৱিমেন্স ওর্গনাইজেসনননা চান থক্লবা অঙন্বা তেংবাং পীখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা কর্ফিয়ু থমজিনখিবনা নোংমগী শুরগা চারিবা মীওই কয়াদা হায়নিঙাই লৈতনা অৱাবা পীরি। মরুওইনা ময়ুম মকৈ মৈ থাদোকপীখিবদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা




চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিংনা অমুক্কা হেন্না ইরাং অসিগী চৈথেং ফংলি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা হান্নগী মণিপুর অমুক ওইহন্নবা হোৎনবীয়ু।

ইরাং অসি মরী লৈনবা লৈঙাক্লা অশানবা মীৎয়েংদা তুং কোইনা চৎনবা য়াগদবা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি। থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া মরুওইনা মহৈরোয় কয়াদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। মহৈরোয় হায়বসি তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ওর্গনাইজেসন অসিনা ঙসি থাংমৈবন্দদা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প অনীদা তেংবাংগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি। থাংমৈবন্দ কেন্দ্র দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চেং বেগ অহুম, তিলহৌ বেগ অমা, অলু বেগ অমা, চানবা থাউ নিরজ বোক্স অমা অমদি মিনরেল ৱাটর বোট্টল বোক্স অনী পীখি।

মখা তারকপা ওইনা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবনা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ইনমেটশিংদা মতেং খরদা ওইরবসু হায়দুনা চান থক্লবা অঙন্বা তেংবাংশিং ওর্গনাইজেসন অসিগী মায়কৈদগী পীখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুরগী ঈরাং আর্মিনা লোইহনবা ঙম্লোই : হিমন্ত বিস্ব সর্ম

**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সী) :** মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংশিং অসি আর্মিনা লোইশিনহনবা ঙম্লোই হায়না নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (নেদা) গী কনভিনরসু ওইরিবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি হন্দক্তা লোইশিনখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা করিগুম্বা আর্মিদা অয়াবা পীরবদি মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংশিং নুমিৎ নীনিগী মনুংদা লোইশিনবা ঙমগনি হায়দুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা হায়খিবনি। রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা হিমন্ত বিস্ব সর্মনা মখা তানা হায়, আর্মিনা মণিপুরদা মতম খরগী ওইনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিনহনবা খক্তমক পুরকপা ঙমগনি। অদুবু ঈরাংশিং অসিগী ৱারোইশিনদি থম্মোয়দগী লাক্কদবনি, নোংমৈ মরূদগী নত্তে হায়খি।

পার্লিয়ামেন্ট মীফম মনুংদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মহয় য়ানবা দিবেট তৌনবা পামখিদে। মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মণিপুরগী মতাংদা ৱা ঙাঙগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙবা হৌরকপদদি ওপোজিসন এম পিশিং হাওসতগী মপান থোকখি হায়নসু মরাল শীখি। মরম অসিনা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী মণিপুরগী মতাংদা করিমত্তা তৌখিদে হায়খি।

## ‘অতোপ্পশিংনা লান্না লৌখিবা য়াবা থবক তৌরোইসি’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) :** মৈতৈ পাঙল মীয়ামনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অতোপ্পা ফুরুপশিংনা লান্না লৌখিবা য়াবা থবক থৌরমশিং তৌরোইসি হায়না য়ুনাইটেদ মৈতৈ পাঙল কম্মিটি (য়ু এম পি সী) মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কম্মিটি অসিগী ৱাঙাঙলোয় রাইস অহমদ তম্পাকময়ুমনা হায়, হৌজিক লমদম অসিগী ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অসিদা মৈতৈ পাঙলশিংগী মরক্তগী মীওই খরনা অতোপ্পা ফুরুপশিংনা লান্না উখিবা য়াবা থবক থৌরমশিং চথুরকপগী পাউ তারক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। শেল খরগীদমক মৈতৈ পাঙল মীয়ামনা অৱা চৈথেং মায়োক্লরিবা তম্পাক লমদমগী মৈতৈ ইচিল ইনাওশিংনা নুংঙাইরোইদবা অমদি লান্না লৌখিবা য়াবা থবক অমত্তা তৌরোইসি হায়খি।

মহাক্লা হায়, ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মৈতৈ পাঙলশিংগী মীয়ামনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মসজিদকী ইমামশিং অমদি সী এস ওশিংগা পুন্দুনা ৱাখল তামিন্নবগী এৱারনেস কয়া কম্মিটি অসিনা লেপ্পা লৈতনা চথুদূনা লাক্লি। মখা তানসু চথুখিগনি। মরক অসিদা সোসল মিদিয়াদা মীওই খরনা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংঙাইনরোইদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শিজিন্নদুনা থাগৎলক্লিবা অসি তৌরোইদবনি।

থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্দুনা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি অমদি তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক কম্মিটি অসিনা তোঙান তোঙানবা ৱারোল য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু গভর্নরদা ঙসি পীশিনখ্রে। লোয়ননা লমদম অসিগী ইন্টিগ্রিটিগী মতাংদা মৈতৈ পাঙল ফুরুপনা হিরম অমত্তদা কম্প্রোমাইজ তৌরোই। ফুরুপ অসিগী মীওইশিংগী মরক্তগী থোক্লিবা ইরাং অসিদা লমহেন তুহেনবা য়াওরক্লবদি খুদক্তা কম্মিটি অসিদা পাউ ফাওবীরকউ, পুন্না ৱাখল তামিন্নসি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ষ্টেট অসিগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা এন্টি সোসল ইলিমেন্টশিং অমদি ময়ায় কাবা চিঞ্জাক পুথোকপা অমসুং য়োনবগী মতাংগসু মরী লৈনরি। মসিদগী ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবনি। কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগীসু হিরম অসিগী মতাংদা এৱারনেস লেপ্তুনা চথুরি হায়খি।

## ‘খেন্নবা লৈরম্লবসু পুনশিন্নদুনা থেংনমিন্নবা ফুরুপনি’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শিন্দুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্থ সাইন্সকী সিনেট হোলদা অথৌবা বির টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেলগী ফোটোদা লৈ-শু কত্তুনা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মীতৈ ফুরুপতি করিগুম্বা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়াবগী ফিভম লাক্লবদি খেন্নবা কয়া লৈরম্লবসু পুন্না থেংনমিন্নবা ফুরুপ অমনি। মসি অফবা খুদম অমনি। মণিপুরগী ইস্যুশিংগী মতাংদা নীংথিনা খঙগে হায়বরদি হৌখিবা কুমজা ১৯৭২ গী মতুং হায়বদি ষ্টেটহূদ ফংলবা মতুংগী মতম অসি নীংথিনা য়েংশিনবা চংই।

মণিপুরদা হৌজিক থেংনরিবা ফিভম অসি মতম অদুদগী লৈরকখিবা লুচিংবশিংগী থবক থৌরমশিং অদুনা ওইহল্লকখিবনি। মণিপুরগী পুৱারীদি অঙাং ওইরিঙৈদগী খোঙজোম পর্বনচিংবা কয়াদগী খঙবা ঙমই। লমদম অসিগী পুৱারী মুন্না খঙবা মীওই অমত্তনা মণিপুর থুগাইবা পাম্লোই হায়খি।

মহাক্লা হায়, অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা তারিবা ফুরুপশিংগী মনুংদা মীতৈ, অসামিজ, ত্রিপুরীশিং অসি লেংদবা পুৱারী লৈজবা ফুরুপশিংনি। হৌখিবা কুমজা ১৭৬২ গী মতমদা ম্যান্মারগী কোনবোং দাইনাষ্টিনা মণিপুরবু খুদুম চন্দুনা থন্বা পামখি। মদুনা মরম ওইরগা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগা মণিপুরগা মরী থন্বা হৌখিবনি।

মদুগী মতুং অৱানা মণিপুর খুদুম চন্দুনা চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা অসাম য়াওনা অতোপ্পা মফমশিংদা মীতৈশিং খুন্দাবা হৌখিবনি। লোয়ননা নিংথৌশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন খেন্নবা লৈবদগী কুমজা ১৮৯১ গী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং নিংথৌশিংগী মরক্তা লিংজেল মান্নদবনা বৃটিশনা মণিপুর খুদুম চনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মায়োক্তা লৈরকপা য়াবা লমদম অসিগী অথৌবশিং লোয় থাবা য়াওনা অথৌবশিং থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের প্রোফেসর এম প্রেমজিৎ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সোনামনিসু শরুক য়াখি।

## তমুদা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচএনএস) :** ওগষ্ট ১৩ অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ অসিগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইরগা তমুদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংনসু তমুগী মোদি তোয়া মোনাষ্ট্রিদা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। তমুদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মফম অসিদা মীওই ২৫০ রোম লৈরি। অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপদা মফম অসিদা অথৌবশিংগী ফোটো লৈতবনা মরম ওইরগা মোনাষ্ট্রি অসিদা মৈরা কত্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখিবনি হায়রি।

## ১৯ শুবা মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগী মপোক কুমওন্দা...

**ঙরাংগী মখা...**

বৃটিশনা লোয় চল্লবা মতুংদা মণিপুরবু বৃটিশ ইন্দিয়াদা তিনশিনখিদে। মতম অদুদা চহী মঙা খক্তা ঙাইরিবা নিংথৌ নরা সিংহগী মশুনুপা চুরাচান্দ সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা হাপখি। নিংথৌ চুরচান্দনা পীক্লিঙৈ দি ফেক্টো সোভরেন ওইনা বৃটিশ লান্মীনা লৈবাক ঙাকখি। চুরাচান্দ নিংথৌদা মণিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইহন্দুনা লৈঙাক শিন্নরবসু মণিপুর ষ্টেট দরবার অসি নিংথৌ অমসুং বৃটিশ অনী পুন্না ওইমিন্নবনি।

হৌখিবা কুমজা ১৯১৬ তগীদি নিংথৌবু দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইহনখিদ্রে। বৃটিশ মচা আই সী এস অমনা দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইহনখি। অদুবু নিংথৌনা এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ ওইনা অদুম্মক লৈখি। প্রসিদেন্ট খক নত্তনা দরবারগী অতোপ্পা মেম্বর খুদিংমক মণিপুরী ঙাক্তা ওইখি। মসিদা অহেনবা ৱাফম অমনা দরবার প্রসিদেন্টতা চীংগী লম য়েংশিনবগী থবক শিন্নরকপা অসিনি। মসি বৃটিশকী দিভাইদ এন্দ রুলগী শিংচেপ চীং অমসুং তমগী মরক্তা থাজিল্লকপনি। প্রসিদেন্টনা চীংগী লম য়েংশিল্লবসু মণিপুরগী অপুনবগী ঙমখৈদি নিংথৌনা অদুম্মক ঙাক্তুনা লাকখি। নিংথৌনা দরবারগী ৱারেপতা অথিংবা পীবগী মঙমসু লৈরম্মী। মরম অদুনা দরবার প্রসিদেন্টনা চীংগী লম য়েংশিনবদুনা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটিদা করিমত্তা অকায়বা লৈহনখিদে। মণিপুরগী নিংথৌগী মহুৎ শিন্দুনা প্রসিদেন্টনা চীংগী লম য়েংশিনবগী থবক তৌবখক্তনি। অসুমনা নিংথৌগী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা বৃটিশ মচা অদুনা ইং কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ফাওবা নিংথৌগী মহুৎ শিন্দুনা চীংগী লম ঙাকখি। মণিপুরদি মশাগী চহী ৩০০০ হেনবা টেরিটরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমদি পোলিটিকেল ষ্টেটস লৈজরকপা লৈবাকনি হায়রি।

মখা হয়েং...

## ওগষ্ট ১৫ দা মণিপুর পুম্বা টোটেল শটদাউন...

**ঙরাংগী মখা...**

ঐখোয়গী ৱাওই থৌওইদবা চাওচৎ চৎপা লীচৎ, মীৎয়েং শান্দবা মওং, লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংনা করি তৌরি হায়বা উরবসু উদবা, তারবসু তাদবগী শাজৎ, ঐখোয় কয়াম শোল্লে, কয়াম লাইররে, ৱাখল কয়াম খন্থদ্রে, খুন্নাইগী উচল কয়াম কাইথরে, থকসি খাসিনা কয়াম কোমথরে, লীচৎনা কয়াম মহাম তারে, লন্নাইগী ওইজা তানবদা থম্মোইদা খুন্নাইগী ঈহুল কয়াম লৈত্রে হায়বনচিংবা অরুবা ৱাফমশিং অসি ঙসিদি থৌদোক অসিনা ঐখোয় ইশাবু খঙহল্লে। মসিগা ইরোইননা হন্দক্কী লান অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইদা পুনবগী পাঙ্গল কয়াম লৈরি, পুল্লগনা ঐখোয় কয়াম কল্লি, পাঙ্গলনা কয়াম কল্লি, কখোকপনা কয়াম ঙল্লি, কখোল্লবা মীনা মশিং কয়াম য়াল্লি হায়বা ঙসিদি ময়েক শেংনা খঙহল্লে। পুন্নমক অসি অঙকপা ফংনা থাগৎনিঙাইনি। মরুওইনা মীতৈ নুপীগী পাঙ্গল, থৌনা, ৱাখল-লৌশিং, পুনবা ঙম্বগী পাঙ্গল, মী য়াম্ল-য়াম্লগা হেন্না লিংজেল মান্নরকপগী মতৌ, ঈহৌদা শরুক য়াবগী চাং অমসুং কখোকপগী মতিং অসি মালেমদা অনী শুরম্লোই। তশেংবদি হন্দক্কী লান অসিগী মপুঙ ওইবা য়ূম্ফমদি মীতৈ নুপীনি। লান অসি অহুমশুবা নুপী লান কৌবা য়াই। ঐখোয় অমুক খুন্থাক্লরোই হায়বসি চিংনিঙাই লৈত্রে।

ঐখোয় মীতৈশিংনা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা তৌগদবা থবক অমদি থৌদৌদি ইনাও নুপানা ৱাখল তারক্ত্রিবা ফাওবা লান ঙাক্কনি হায়বসিনি। করিগুম্বা মতমদা লান তাবসু মথৌ তারকপা য়াই। মদুগী থৌরাংসু তৌগদবনি। মখোয়সু কোক পাল্লিবনিনা কনানা ঐখোয়গী ইরক্তা খাবৈ খারা শারিবগে হায়বদু শোয়দনা খঙলক্কনি হায়রি।

মখা হয়েং...

**IN THE COURT OF SDC/IW(P)**
**Ref :- Mut. Case No. 261/SDC/IW Patsoi**

Irom Manglemjao Singh S/o (L) Irom Tolen Singh of Patsoi Part-II, Mayai Leikai - Petitioner

- Vrs -

Late Irom Tolen Singh S/o (L) Tomba Singh of Tulihal - Deceased Pattadar

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

11/08/2023

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউ-চেগী খুখাংদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোইগী খুল নম্বর ৮০-পাৎশোই পাট্টা নং ১৩৮ (অরিবা), ৩০/৮৩৮ (অনৌবা) গী দাগ নং ২২৭৩/২৫২৮ (সিট-৩) গী এরিয়া ০.১২০০০ একর, চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবী লম এরিয়া ০.১২০০০ একর অসি এরিয়া লোইনমক দংকারি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বত্তদা অমদি দখলগী মতুং ইন্না নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদার মপাগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৫/০৮/২০২৩ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎপিহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/7430/14 Aug.